# রাদৱানস্কানা কন্নেক্টিকট ওপনগী টাইটল লৌখ্রে

## সানিয়া-নিকুলেস্কুনা দবলস টাইটল লৌখি



ন্যু হেভন, ওগষ্ট ২৮ ঃ

টোপ সীদ অগনিজকা রাদৱানস্কানা মফম অসিদা চথ্খিবা কন্নেক্টিকট ওপনগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেলদা ইলিনা সভিটোলিনাবু ৬-১, ৭-৬(১) তা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখিবগা লোয়ননা য়ু এস ওপনগীদমক চপ চানা শেম শাখ্রে।

রাদৱানস্কানা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌগদৌরিবা য়ু এস ওপনগী শেম শানবগীদমক মহাক্না কন্নেক্টিকট ওপনদা ৱাইল্ড কার্দ ওইনা চঙলক্তুনা শান্নখি। মশাগী চহী ২৭ শুরবী পোলনা মহাক্কী কেরিয়রগী দব্লিয়ু টি এ টাইটল তরামাপনলকশুবা লৌখ্রবা মতুং অচেৎপা থাজবা অমগা লোয়ননা ফ্লশিং মেদোজদা মমায় ওনশিনখ্রে।

মহাক্না মায় পাকখ্রবা মতুং পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙবদা রাদৱানস্কানা হায়খি, ঐঙোন্দা ৱাইল্ড কার্দ পীবিবগীদমক ঐনা নঙবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎলি। ঐনা মসিগীদমক তশেংনা অপেনবা পোকই অমদি ঐনা মথং চহীদসু শুংশোই শোয়দনা মফম অসিদা হল্লকখিগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

রাদৱানস্কানা মেচ অদুগী অহানবা সেটতা মশাগী চহী ২১ শুরবী সভিটোলিনাবু য়াম্না লায়না মিনিট ৩০ খক চঙনা ৬-১ দা মায়থীবা পীখি। য়ুক্রেনিয়াগী তরাশুবা সীদ অসিনা অনীশুবা গেমদা নিংথিনা খুৎ হল্লত্তুনা শাফু কল্লবা শুটশিং য়ৈখিদুনা সেট পোইন্ট অহুম লৌদুনা মেচ অদু লেভেল মান্ননবা হোৎনখ্রবসু মখা তানা পোইন্টশিং লৌবা ঙমদনা লৈহৌখি।

য়ু এস ওপনগী মরিশুবা সীদ ওইরিবা রাদৱানস্কানা ফ্লশিং মেদোজগী অহানবা রাউন্দদা অমেরিকাগী জেসিকা পেগুলাগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। রাদৱানস্কানা সেমী ফাইনেলদা টোপ সীদ সেরেনা ৱিল্লিয়মসকা লম্বা তৌদুনা শান্নরবা য়ানা লৈরি। অদুগা সভিটোলিনানা য়ু এস ওপনদা ২২শুবা সীদ ওইনা লৈরি।

অমরোমদা কন্নেক্টিকট ওপনগী দবলস ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী টেনিস এস সানিয়া মিরজা অমদি মহাক্কী পার্টনর রোমানিয়াগী মোনিকা নিকুলেস্কুনা মখোয়গী মায়োক্নখিবা লম্বাবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌদুনা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টুর্ণামেন্টদা মশক থোক্না শান্নবা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈখ্রে।

নৌনা জুরা শেমদুনা চঙলকখিবা সানিয়া অমদি নিকুলেস্কুনা য়ুক্রেনগী কাটারিনা বোন্দারেস্কো অমদি টাইৱানগী চু আঙ চিয়া-জুংবু ফাইনেলদা ষ্ট্রেটট সেটতা মায়থীবা পীদুনা মখোয় অনীগী অহানবা টাইটল লৌবসু ওইখি।

ইন্দো-রোমানিয়নগী জুরা অসিনা মখোয়গী ওপোনেন্টপু ৭-৫, ৬-৪ দা পুং অমগা মিনিট ৩০ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা মায়থীবা পীখি।

অহানবা সেটকী টফ ওইরবা প্লে অদুদা সানিয়া অমদি নিকুলেস্কুনা ৭-৫ দা মায় পাকখ্রবা মতুং অনীশুবা সেটতা অকনবা লম্বা তৌদুনা ৬-৪ দা মায় পাক্তুনা ট্রোফি লৌখি।

কুমজা ২০১০ গী ৱেষ্টর্ন এন্দ সার্দন ওপনদা সানিয়া অমদি নিকুলেস্কুনা অরোইবা ওইনা জুরা শেমদুনা শান্নখিবদা ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখি। মদু মখোয়না পার্টনরশিপকী অয়াবা মখাদা শান্নখিবা নত্তে।

সানিয়ানা হন্দক্তা মার্টিনা হিঙ্গিংসকা জুরা শেল্লম্বদগী কায়নখিবনি। মহাক্না মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা সিন্সিনাটি মাষ্টরসতা চেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভাগা জুরা শেমদুনা শান্নখি অমদি মখোয়গী অহানবা টুর্ণামেন্ট ওইনা হান্নগী পার্টনর হিঙ্গিস অমদি অমেরিকাগী কোকো ভান্দেৱেঘেবু মায়থীবা পীদুনা টিম টাইটল লৌখি।

মখোয়গী অহানবা টুর্ণামেন্টকী টাইটল লৌখ্রবসু সানিয়া অমদি নিকুলেস্কুনা মতম খরগী ওইনা পার্টনর শেমদুনা কন্নেক্টিকট ওপনদা শান্নখি অমদি মখোয় অনীনা য়ু এস ওপনদদি মখোয়গী রিগুলর পার্টনরগা পাদুনা শান্নগনি।

সানিয়ানা হায়খি, ঐনা বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভাগা শান্নরি হায়খি। নিকুলেস্কুনা হায়, ঐনা ভানিয়া কিংগা পাদুনা শান্নরি। মসিমক্না ঐখোয় অনীনা পুল্লগা শান্নরিবা মসিনা অরোইবা নত্তে হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা নোর্থ কারোলিনাদা চথ্খিবা এ টি পি ৱিনষ্টন-সালেম ওপনগী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী টেনিস এস লীএন্দর পেস অমদি মহাক্কী জর্মনগী পার্টনর এন্দ্রে বেগেমেননা গুইল্লরমো গার্সিয়া-লোপেজ অমদি হেনরি কোন্টিনেনগী মখুৎতা সেট্টর অহুমদা মায়থীদুনা লৈহৌরে।

স্পানিয়ার্দ গার্সিয়া-লোপেজ অমদি ফিনলেন্দগী কোন্টিনেনা ইন্দো-জর্মনবু ৪-৬, ৭-৬(৬), ১০-৮ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি। অহানবা সেটতা ৬-৪ দা মায় পাকখ্রবা মতুং পেস অমদি বেগেমেননা ৬-১ দা মাঙজিল থাদুনা অনীশুবা সেট অদু টাই-ব্রিক তাখি। অদুবু গার্সিয়া-লোপেজ অমদি কোন্টিনেননা নক্সৎখিদুনা মায়থীখি।

# সক্সি মালিক চহী অসিদা পুন্সি লৈপুল শেল্লগনি



ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ২৮ ঃ রিও ওলেম্পিক্স ২০১৬ তা ইন্দিয়াগী অহানবা মেদল লৌখিবদগী মীওই কয়াগী থম্মোয় শুক্নৎপা ঙমহনখিবী সক্সি মালিক চৎলিবা চহী অসিদা মহাক্কী ফেল্লো রেষ্টলর অমগা পুন্সি লৈপুল শেল্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

বেঙ্গালিগী মমিং লৈরবা পাউ চে অমনা লৌখিবা ইন্টভিয়ু অমদা রেষ্টলর সক্সিনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী ফেল্লো নুপা রেষ্টলর অমনা মহাক্কী থম্মোয়বু শুক্নৎহন্দুনা মপু ওইখি। মহাক্না চহী অসিদা পুন্সি লৈপুল শেল্লগনি হায়রবসু রেষ্টলর অদুগী মমিংদি ফোঙদোকপা তৌখিদে।

ঐনা চহী অসিদা পুন্সি লৈপুল শেল্লগনি। অদুম ওইনমক ঐনা ইপুরোইবা ওইগদৌরিবা অদুগী মমিংদি ফোঙদোকখিরোই। অরোৎপা ওইনা থমখিগনি। মহাক রেষ্টলর অমনি হায়না সক্সিনা অনন্দাবাজার পাট্রিকাদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না লুহোংলবা মতুংদা মহাক্কী স্পোর্টিং কেরিয়রদা অকায়বা অমত্তা ওইরোই হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি। মহাক্না ঐবু মতম পুম্নমক্তা মতেং পাংবী। মহাক্না ঐগী মঙলানবু মশামক্কী মঙলানগুম লৌবী। ঐনা লুহোংলবা মতুংদা মরূপ অমা ফংলগনি। মহাক্না ঐগী শেম শাবদা মতেং পাংবীরগনি। ঐনা তশেংনা থাজবা লৈ মদুদি ঐনা লুহোংলবা মতুংদা ঐগী স্পোর্টতা অকায়বা অমত্তা লাক্লোই হায়না সক্সিনা হায়খি।

হরিয়ানাগী নুপীমচাসিনা কে জি ৫৮ গী কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী রেষ্টলর অমনা ওলেম্পিক মেদল লৌবা ঙম্বসু ওইখি। মহাক্তা নত্তনা সিন্ধুনা বেদমিন্টনদা সিলভর মেদল অমসু লৌখি।

# অরোইবা গ্রান্দ স্লাম অমা ওইরিবা য়ু এস ওপন ঙসিদগী পাঙথোকপা হৌরগনি



ন্যু য়োর্ক, ওগষ্ট ২৮ ঃ

চৎলিবা চহী অসিগী মরিশুবা অমসুং অরোইবা গ্রান্দ স্লাম টুর্ণামেন্ট অমা ওইরিবা য়ু এস ওপন হয়েংদগী মফম অসিদা পাঙথোকপা হৌরগনি।

অরোইবা গ্রান্দ স্লাম টুর্ণামেন্ট অসিগী অহানবা মেচতা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান রেঙ্কতা লৈরিবী অমেরিকাগী সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা রসিয়াগী ইকাটেরিনা মকারোভাগা লম্বা তৌদুনা মহাক্কী ২৩শুবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌনবা খোঙফম শেম্বা হৌগদৌরি। ৱর্ল্ডগী ৩৬শুবা রেঙ্কতা লৈরিবী রসিয়াগী ইকাটেরিনা মকারোভানা কুমজা ২০১৪ গী য়ু এস ওপনগী সেমী ফাইনেলদা সেরেনা ৱিল্লিয়মসগী মখুৎতা মায়থীহৌখি অদুগা কুমজা ২০১৫ গী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী সেমী-ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখি। মহাক্না হন্দক্তা লোইশিনখিবদা ঙাইখ্রিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা নুপীগী দবলস ইভেন্টতা শরুক য়াখিদুনা গোল্ড মেদল লৌখিবনি।

ওপন অসিগী সেমী ফাইনেলদা সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা মরিশুবা রেঙ্কতা লৈরিবী পোলেন্দগী অগনিজকা রাদৱানস্কা নৎত্রগা মহাক্কী মচে ভেনস ৱিল্লিয়মসকা মায়োক্নদুনা শান্নরবা য়ানা লৈরি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা লাউথোকখিবা ওপন অসিগী দ্রোদা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী চেম্পিয়ন জর্মনিগী এঞ্জেলিগ কার্বর অমদি ফ্রেঞ্চ ওপনগী চেম্পিয়ন স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজানা অতোপ্পা সেমী ফাইনেলদা থেংনরবা য়ানা লৈরি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা ৱর্ল্ডগী নম্বর ৱান সার্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচনা কুমজা ২০১৩ গী ৱিমব্লেদন চেম্পিয়নশিপকী সেমী ফাইনেলিষ্ট ওইখিবা পোলেন্দগী জানোৱিখকা লম্বা তৌগদৌরি। হান্না ৱর্ল্ডগী ১৪শুবা রেঙ্কতা লৈরম্বা অদুগা হৌজিক্না ২২৮ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা জানোৱিখনা সিজন অসিগী অয়াম্বা শরুক্তা মশাগী অশোকপনা মরম ওইদুনা শান্নবা ঙমদনা লাক্লিবনি। জোকোভিচনা ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবগী লম্বীদা ফ্রেঞ্চকী রিচার্দ গ্যাসগেট নৎত্রগা য়ু এসকী জোন ইস্নর অমসুং ফ্রেঞ্চকী জো ৱাইল্ডদ্রাইদ সোঙ্গা নৎত্রগা কুমজা ২০১৪ গী য়ু এস চেম্পিয়ন মোরিন সিলিক্কা মায়োক্নদুনা শান্নরবা য়ানা লৈরি। ওপন অসিগী সেমী ফাইনেলদা জোকোভিচনা স্পেনগী রফেল নদালগা লম্বা তৌদুনা শান্নরবা য়ানা লৈখ্রে অদুগা অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচ অমদা বৃটেনগী এন্দি মরেনা স্বিসকী ষ্টান ৱারিনস্কাগা লম্বা তৌরবা য়ানা লৈখ্রে।

নদালনা ওপন অসিগী মহাক্কী অহানবা মেচতা উজবেকিস্তানগী দেনিস ইষ্টোমিনগা শান্নগনি অদুগা ৱর্ল্ডগী অনীশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা এন্দি মরেনা চেক রিপব্লিককী লুকাস রোসোলগা শান্নদুনা মহাক্কী কেম্পেইন হৌদোক্কনি। মরেনা ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবগী লম্বীদা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিট্রোভ নৎত্রগা স্পেনগী ফেলিসিয়ানো লোপেজ অমদি জপানগী কৈ নিশিকোরিগা লম্বা পাবা য়ানা লৈখ্রে।

রিও ওলেম্পিক্স গেমসগী সিলভর মেদলিষ্ট অর্জেন্টিনাগী জুঅন মার্টিন দেল পোট্রোনা ওপন অসিগী অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা ১৯শুবা সীদ অমেরিকাগী ষ্টেভ জোন্সনগা মায়োক্নদুনা শান্নরবা য়াদা লৈখ্রে। কুমজা ২০০৯ গী য়ু এস ওপনগী চেম্পিয়ন ওইখিবা মার্টিন দেল পোট্রোনা চহী অসিগী অরোইবা গ্রান্দ স্লাম টুর্ণামেন্ট অসিদা ৱাইল্ড কার্দ ফংদুনা চঙলকখিবনি। মহাক্না চহী অসিগী জুন থাদগীনা হৌজিক ফাওবদা য়ু এন ওপনগী টোপ সীদতা লৈরিবা প্লেয়র মরিগী মনুংদা অহুম মায়থীবা পীরমখিবনি।

ৱর্ল্ডগী অহুমশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা স্বিসকী ষ্টান ৱারিনস্কানা অহানবা রাউন্দদা স্পেনগী ভেটরান ফনার্ন্দো ভর্দাস্কেগাা শান্নদুনা মহাক্কী কেম্পেইন হৌদোকপগা লোয়ননা ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবগী লম্বীদা ওষ্ট্রেলিয়াগী বনার্দ টোমিক নৎত্রগা নিক কির্গিওস অমসুং জুআন মার্টিন দেল পোট্রোগা লম্বা তৌননবগী ফীভমদা লৈরি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী সকেথ মৈনেনিনা গ্রান্দ স্লামগী অহানবা ওইনা য়ু এস ওপনগী মেইনদ্রোদা ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমখিবনি।

ৱর্ল্ডগী ১৪৩ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা মৈনেনিনা সার্বিয়াগী পেদজা ক্রিষ্টেনবু অহুমশুবা ক্বালিফাইয়িং রাউন্দদা ৬-৩, ৬-০ দা মায়থীবা পীখিদুনা মেইন দ্রোদা চঙখি। সকেথ মৈনেনিনা মেইন দ্রোদা চেক রিপব্লিক্কী জিরি ভেসেলিগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

করিগুম্বা মৈনেনিনা রেঙ্ক ৪৮ শুবদা লৈরিবা জিরি ভেসেলিবু মায়থীবা পীবা ঙম্লবদি অনীশুবা রাউন্দদা মহাক্না নম্বর ৱান অমদি হৌজিক চেম্পিয়ন ওইরিবা নোভাক জোকোভিচকা লম্বা তৌদুনা মায়োক্নগনি।

মশাগী চহী ২৮ শুরবা মৈনেনিনা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী অহুমশুবা ক্বালিফাইয়িং রাউন্দদা মায়থীহৌখি অমদি ফ্রেঞ্চ ওপনগী ক্বালিফাইয়রগী অনীশুবা রাউন্দদা লৈহৌখি।

কুমজা ২০১৫ গী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী সিঙ্গলস দ্রোদা য়ুকি ভম্বরিনা গ্রান্দ স্লামগী ক্বালিফাই ওইখিবা অরোইবা ইন্দিয়া প্লেয়র ওইখিবনি। রেঙ্ক ১৭১ দা লৈরিবা ভম্বরিনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী অহানবা রাউন্দদা এন্দি মরেগী মখূৎতা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা রামকুমার রামান্থননা ন্যুয়োর্কতা পাঙথোকখিবা য়ু এস ওপন ক্বালিফাইয়রগী অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌদুনা গ্রান্দ স্লাম অসিগী মেইন দ্রোদা চঙবা ঙমদনা লৈহৌখি।

# 'মেজর ধ্যানচান্দ অসি শান্নরোয় অমা ওইবগী মতীক মথৌনা লৈবা অমদি মরৈবাক নিংবগী খুদম অমনি'



ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ২৮ ঃ

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী লেজেন্দরি হোকি প্লেয়র মেজর ধ্যানচান্দগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎলদুনা মহাক অসি শান্নরোয় অমা ওইবগী মতীক মথৌনা লৈবা অমদি মরৈবাক নিংবগী খুদম অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরনা নোংমাইজিং নুমিৎতা রেদিওগী থোঙদা মহাক্কী পুক্নিংগী ৱা (মন কি বাট) কী ৱারোল পীরদুনা নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি, হয়েং নিংথৌকাবা নুমিৎ ওগষ্ট ২৯ অসি লেজেন্দরি হোকি প্লেয়র মেজর ধ্যানচান্দগী মপোক নুমিৎনি। নুমিৎ অসি লৈবাক অসিদা নেসনেল স্পোর্টস দে হায়দুনা থৌরম পাঙথোক্লি। ঐনা মঙোন্দা ঈকায় খুম্নবা উৎলি অমদি নখোয় পুম্নমক্না মহাক্না শান্নবগী লমদা কথোক্লম্বশিং অদু নিংশিংবীবা পাম্মী হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, মেজর ধ্যানচান্দ অসি অশেংবা শান্নরোয় অমা ওইবগী মতীক মথৌনা লৈবা অমদি মরৈবাক নিংবগী খুদম অমনি। মহাক্না কুমজা ১৯২৮, ১৯৩২ অমদি ১৯৩৬ তা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক গেমস অহুমদা ইন্দিয়ানা হোকিগী গোল্ড মেদল লৌবদা চাউরবা মতেং পাংখি। ঐনা মহাক্কী লেজেন্দরি গেমস অসিবু অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎলি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়, ক্রিকেটকী মশক নাইরবা প্লেয়র দোন ব্রেদমেননা ধ্যানচান্দনা গোল চনবা অদু রন লৌবগা মান্নখি হায়না হায়রমখি হায়বা ৱাফম থল্লদুনা রিও ওলেম্পিক্সতা ইন্দিয়ন এথলেটশিংনা উৎখিবা পার্ফোমেন্স অদুবু থাগৎখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়, লৈবাক অসিগী ইচানুপীশিংনা লৈবাক অসিবু মালেমগী মমাঙদা চাউথোকচবদু উৎখ্রে। লৈবাক অসিগীদমক ইচানুপীশিংনা মেদল অনী লৌরকখি। অদুগা অতোপ্পা নুপীমচাশিংনসু মশক থোক্না মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবা অদু উৎখি। মখোয়না অমুক হন্না মখোয়গী তৌবা ঙম্বা অমদি মখোয়না লৈবাক অসিগীদমক লেপ্লি হায়বদু উৎলে হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা শটুলর পি ভি সিন্ধু, রেষ্টলর সক্সি মালিক অমদি জিম্নাষ্ট দিপা কর্মাকরবু থাগৎলদুনা ফোঙদোকখি।

থাগী ওইনা রেদিওদা ঙাঙখিবা ৱারোল অদুদা মোদিনা হায়, মখোয় নোর্থ ইন্দিয়া, সাউথ ইন্দিয়া, নোর্থ ইষ্ট অমদি অতোপ্পা মফমশিংদগীনি। ইন্দিয়াগী ইচানুপীগুম্লবশিংনা লৈবাক অসিবু চাউথোকহল্লে হায়খি।

মহাক্না অতোপ্পা এথলেটশিং অমদি শান্নরোয়শিংবু থাগৎলদুনা হায়খি মদুদি মখোয়না মেদল অমত্তা লৌবা ঙমখিদ্রবসু মখোয়গী পার্ফোমেন্স অদুদি মশক থোকপা ওইখি। দিপা কর্মাকরনা অহানবা ওইনা জিম্নাষ্টিক্সতা শরুক য়াখিবা, নুপী হোকি টিমনা চহী ৩৬ কী মতুংদা ক্বালিফাইদ ওইখিবা, চহী ৩২ গী মতুংদা ইন্দিয়ন রন্নর ও পি জাইসানা মরাথোনগী ক্বালিফাই ওইখিবা, অভিনাব বিন্দ্রানা মরিশুবা মফমদা লাকখিবা, বোক্সর ভিকাস যাদভনা নিংথিবা পার্ফোমেন্স পীখি হায়না মোদিনা ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিম রিওদগী ময়ুমদা হল্লকখিবগী লম্বীদা ট্রেনগী ফম্পাক মখাদা ফম্লগা হল্লকখি



ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ২৮ ঃ লাক্লিবা মথংগী ওলেম্পিক অহুমদা ইন্দিয়াগী এথলেটশিং মশক থোক্না শেম-শানবগীদমক টাস্ক ফোর্স লিংখৎকনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাউথোকখিবতা ঙাইরিঙৈ য়াম্না ঈকায়নিংঙাই ওইবা থৌদোক অমদা ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমগী প্লেয়রশিংনা রিও ওলেম্পিক্সতগী ময়ুমদা হল্লকপগী লম্বীদা ট্রেনগী ফম্পাক মথক্তা ফম্লগা হল্লকখি।

পাউগী এজেন্সি অমনা রিপোর্ট তৌরকপা মতুং ইন্না ইন্দিয়ন প্লেয়রশিংগী টিকেট কনফার্ম তৌখিদে অমদি টি টিনা শান্নরোয়শিংবু বোগিগী তম্পাক্তা ফম্ননবা খঙহনখি। ইন্দিয়াগী প্লেয়রশিংনা তোংলকখিবা ট্রেন অদু রাঞ্চিদগী রৌরকেলা ফাওবা চেনবা বোকারো-এলেপ্পি এক্সপ্রেস ট্রেনদনি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা রেলৱেজদা প্লেয়রশিং অসি ইন্দিয়াগীদমক রিও ওলেম্পিক্সতা মহুৎ শিন্দুনা শান্নরুবশিংনি অমদি মখোয়বু নিংথিনা তোংফম পীদুনা নুংঙাইহনবা হায়বসি রেলৱেজগী তৌফম থোকপা মথৌনি হায়না চেরোল অমা ইদুনা পীশিনদুনা খঙহনগদৌরি। ট্রেন অদু রাঞ্চিদগী পুং ৪ দা থাদোকখি অদুগা রৌরকেলাদা পুং ৬.৪৫ দা থুংখি।

পনবা য়াই, রিও ওলেম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমনা চহী ৩৬ কী মতুংদা ক্বালিফাই ওইদুনা শরুক য়াখি। ওলেম্পিক্স গেমস অদুদা ইন্দিয়ানা ফংখিবা মেচ মঙাগী মনুংদা মেচ মরিনা মায়থীখি। অদুগা মেচ অমনা দ্রো চৎতুনা ইন্দিয়ন টিমনা ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা চঙননবা শাগৎখিবা মঙলান অদু কায়খি।

ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিম অদু মণিপুরগী সুশিলা চনুনা কেপ্টেন ওইনা লুচিংখি অমদি অনুরাধা দেবীসু শরুক য়াখিবনি। ওলেম্পিক্সতী ইন্দিয়ন টিমশিং হন্নরক্তুনা মাগী মাগী ময়ুম লমদম ষ্টেটশিংদা হন্নখ্রবনি।

হায়রিবা শান্নরোয়শিং অদুনা ময়ুম হনখিবগী লম্বীদা রাঞ্চিদগী রৌরকেলা ফাওবা চৎপগী লম্বীদা বোকারো-এলেপ্পি এক্সপ্রেস ট্রেন তোংনবগীদমক প্লেয়র খরগী টিকেট ককখিবদা কনফার্ম তৌখিদে হায়না পাউগী এজেন্সি অমনা ফোঙদোরকখিবনি।

মখা তানা পাউগী এজেন্সি অদুনা ফোঙদোরকখিবদা প্লেয়রশিং অদুনা ট্রেন অদুদা কাখৎতুনা তোংলকপদা ট্রেনগী টি টিনা মখোয়বু টিকেট য়াওদবগীদমক ট্রেনগী বোগিগী ফম্পাক্তা ফম্ননবা খঙহনখি হায়রি। অদুমকপু টি টি ওইরিবা মীওই অদুনা প্লেয়রশিং অদু রিও ওলেম্পিক্সতা ইন্দিয়াগীদমক মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াবা চৎলুবশিংনি হায়বদু খঙখিদবা মাল্লি হায়না এজেন্সিগী রিপোর্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা থা অসিগী ৫ দগী ২১ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৩১শুবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা ইন্দিয়ানা মেদল অনীখক্তমক ফংদুনা নিংবা কায়না লৈহৌখিবা অদু মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা লাক্লিবা চহী ১২ অসিদা মশক থোকপা শান্নরোয় পুথোক্নবা থৌরাং থৌশিল অমা ইন্দিয়া লৈঙাক্না শেল্লগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইরাই নুমিৎতা লাউথোকখিবনি।

লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২০, ২০২৪ অমদি ২০২৮ গী গেমসদা মশক থোক্না এথলেটশিংনা শরুক য়াবগা লোয়ননা মখোয়গী স্পোর্টস ফেসিলিটিশিং অমদি ট্রেনিংদা নত্তনা মখোয়গী সেলেক্সন প্রোসেসশিং থাক ৱাংখৎহনগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

ইরাই নুমিৎতা ফমখিবা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরগী মীফমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাক্কদৌরিবা ওলেম্পিক গেমস অহুমগীদমক মশক থোক্না শেম শানবগীদমক টাস্ক ফোর্স শেল্লগনি হায়না লাউথোক্লদুনা টাস্ক ফোর্স অসি নুমিৎ খরনিগী মনুংদা শেমগনি হায়খিবনি।

# ইন্দিয়া অমদি দুবাইদা রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি



মুম্বাই, ওগষ্ট ২৮ ঃ

দ্রিমস মার্ভেল প্রাইভেট লিমিটেদনা শিন্দুনা লাক্লিবা দিসেম্বরদা ইন্দিয়া অমসুং দুবাইদা ওপন ৱেঠ কেটাগোরিগী ভিলৱাভিজেটা গামা রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসি ৱেঠ কে জি ৮৫ অমদি ১২৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা রেষ্টলরশিংনা শরুক য়াগনি। মসিগীদমক লৈবাক ৫০ গী ফ্রিষ্টাইল রেষ্টলরশিংদা শরুক য়ারনবগীদমক চেবাউ পীখ্রে। চেম্পিয়নশিপ অসিদা ৱিন্নর ওইবা অদুনা লুপা ক্রোর অমগা লোয়ননা গোল্ডন মেইর পীগনি।

ৱাফম অসি ইভেন্ট অসিগী প্রমোটরনা শিন্দুনা ইরাই নুমিৎতা রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি ভি এন প্রাসুদ য়াওনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা লাউথোকখিবনি। ইভেন্ট অসি পাঙথোকপদা মশান্না অসিগী মালেমগী গভর্ণিং বোদি ওইরিবা য়ুনাইটেদ ৱর্ল্ড রেষ্টলিংনা গ্রীন সিগনেলসু পীরক্লে হায়না ওর্গনাইজর দ্রিমস মার্ভেল প্রাইভেট লিমিটেদনা লাউথোকখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী প্রমোটরগী ৱাঙাঙলোয় অমনা হায়খি, চেম্পিয়নশিপ অসিগীদমক লৈবাক খুদিংমক্না মখোয়গী রেষ্টলর অনী-অনী নোমিনেট তৌরক্কনি। প্রিলিমিনরি রাউন্দশিংদগী রাউন্দ রোবিন লেগকী বাউট ৪৫ গীদমক রেষ্টলর ১০/১০ খনগৎকনি। বাউটশিং অসি সেন্টর মরিদা পাঙথোক্কনি। সেন্টর মরি অসিগী চপ চাবা মফমদি দব্লিয়ু এফ আই অমদি মহারাষ্ট্রা রেষ্টলিং এসোসিএসনগা তান্নরবা মতুংদা লেপকনি হায়খি।

ইভেন্ট অসি মথংগী চহী তরামাথোই ফাওবা পাঙথোক্লবা য়ু দব্লিয়ু দব্লিয়ুদা রোয়েলটি পীনবা হায়না য়ানখি অমদি এম ও য়ু অমসু খুৎয়েক পীনখি। ঐখোয়না মসিগী অয়াবসু ফংলে অমদি প্রাইজ অসিগীদমক লুপা ক্রোর ৪.৫ সু বজেটতা থল্লে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ওর্গনাইজরশিংগী মতুং ইন্না ওভরসিজগী রেষ্টলরশিং প্রিলিমিনরি গ্রুপ মরিদা থমগনি অদুগা ইন্দিয়াগী প্লেয়রশিংনা রাউন্দ রোবিন লেগকীদমক মঙাশুবদগী রেষ্টলর ১০ ফাওবগী স্পোটতা থমগনি। অদুগা সেমী ফাইনেল অমদি ফাইনেলনা দুবাইদা পাঙথোক্কনি হায়না লাউথোকখি।

ৱিন্নরনা সনাগী লুহুপ অমা অমদি কে জি অমা লুম্বা গোল্ডন মেইস অমগা লোয়ননা য়ু এস দি ১৫০,০০০ গী শেনফম পীগনি অদুগা রন্নর-অপনা য়ু এস দি ৭৫,০০০ (লুপা লাখ ৫০) অমদি কে জি ৫ লুম্বা সিলভরগী সিল্ড অমগা ফংগনি। সেমী ফাইনেলদা মায়থীহৌবা অনীনা য়ু এস দি ৩৮,০০০ (লুপা লাখ ২৫) ফংগনি। লোয়ননা রাউন্দ রোবিন ষ্টেজ ফাওবা চঙবা ঙম্বা রেষ্টলরশিংসু লুপা লাখ ২৫ ফংগনি হায়না ওর্গনাইজরশিংগী মতুং ইন্না ফোঙদোক্লি।

দব্লিয়ু এফ আইগী সেক্রেটরি প্রাসুদনা হায়খি, ঐখোয়না চেম্পিয়নশিপ অসিদা দোপিং কন্ট্রোল তৌনবগীদমক নেসনেল এন্টি দোপিং এজেন্সিদা পাউ পীদুনা খঙহনগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা দ্রগ শিজিন্নবগী মরালদা চহী মরি অথিংবা থমখ্রবা প্লেয়র নরসিংহ যাদভসু শরুক য়াখি।